# মপান কাংজৈবুংদা মহৌশাদি নিংথৌকাবা, য়ুমশকৈশা, ইরাইদা শগোল কাংজৈ চাং নাইনা শান্নরম্মী



## লৈখিদ্রবা খোংবানতাবম তোলহনবু ঈকাই খুম্নবা উৎচদুনা নৌনা অমুক ফোঙদোকচবা

রত্নেশ্বরি গোশ্বামী

হান্নগী মখা...

থবক খনবা মওংগসিসু অরান অহুই তৌদে। নীয়ম চুম্না খরা হেন্না ফবদু ইফোং ফোংনা হেক্তা খল্লি। অদুগা অহলশিংনা মী লোইনরম্বা মতৌশিংদুসু ঙসিগী মীরোলনা তমজনীংঙাই ঙাক্তনি। কনা অমত্তা মপুক নাহন্দে।

অসুম হায়না তৌদুনা কুমজা ১৯৪৬ তা ঐহাক তোম্বীস্না স্কুলদা ওজা ওইরকখি। মতমদুদা তোম্বীস্না স্কুলদা ওজা ওইরিবসি বি এ খরনে, মেট্রিক খরনে ঐখোয় খরনা তাক্লকপনি। ওজাগী শিনফমদা চঙলবা মতমসিদসু মহারাজ বোধচন্দ্রনা ঐখোয়বু কাউবা খক লৈখিদে। কদাই কদাইদা লৈখ্রে হায়দুনা কোয়থি থিবিরকখি। ঐনা ওজা ওইদুনা লৈজবা মতমদুদা তোম্বীস্না স্কুলগী হেদ মাষ্টরসি শৌগ্বাইজম গৌরহরিনা ওইরি। ঐবু কদাইদা লৈরিবগে হায়না থিরকপসিদা কোন্না মচন নুপীগী মমিংদা লিংখৎপা স্কুলদুদা ওজা ওইরি হায়বা খঙবদগী মহারাজনা স্কুলগী হেদ মাষ্টরতা চিঠি অমা ইদুনা থারকখি। ৱারোলদু ঙসি ফাওবা ঐ কাউদ্রি, ওম্হোক্লা নান্না ইরকখ্রবা, ফজখ্রে ফজখ্রে।

ইকায়খুম্নজরবা ওজা ইবুংঙো! খোঙ তেঞ্জবনা য়ৌশিঞ্জরকপসু ঙমজদ্রে। ইবুংঙো তোলহলদু য়ারগদি ঐগীদা অমুক্তা ফংহনবীয়ু। ৱারোলদু নিংথৌ অমনা ইরকপনিনা খুদক্তা উরিপোক তানা চৎতুনা শান্নবদা শেৎ চাগদবা ফুরিৎ-খোঙগ্রাও পরপ পরপ লৌরুরগা ঐহাক কোনুং তানা চৎখি। অসুম্না ওজা ওইরফাও মতম খরসু ভোল্লিবোল শান্নরম্মী। নোংমদি ভোল্লি থোইরকপগী নুংঙাইবা ফোঙদোক্তুনা নিংথৌখোংদগী হাইগৎলক্লগা ঐখোয় ময়ামসি মহারাজনা পেংবা থোংবা চাখিসি হায়দুনা কোনুংদা পুল্লপ পুশিল্লগা পীজরকখি। নুমিৎতু চাবা থকপা পুমলোই লোইবদা নোংয়াই মতুং পুং ১ তারে। মদুদা মহারাজনা ঐখোয় পূম্নমকসি য়ূমগী থোঙ্গাল তানা থিল্লগা অপোকপী মমাশিংদা মফম খঙনা শিন্নরম্মুকো হায়দুনা থিনবিরকখি। তৌবসু ঐবু পোকপী ইমাসি য়ূমগী ধারিদা ফল্লগা ঐ লাকপা ঙাইদুনা লৈরমখি। ইমা! হায়নতা কৌবদা ইবুংঙো ইমা নঙবু ঙাইরিয়ে, ইমা তুমদ্রিয়ে, লাকও-লাকও হায়দুনা ঙাইবিরম্বগদু নীংশিংলুবদা কয়াদা নুংশিখ্রবনো। খুন্নাই অসিদা ইমামুক নুংশিবসিবু কদাইদগী ফংগদগে। ইমাদগী হেনবা অমত্তা লৈতে।

অমরোমদা, কাং হায়বা মশান্নসিগী মতাংদসু পাবুং তোলহলনা ৱাফম কয়ামরুম ফোঙদোকপীরম্মী। লমদমসিগী য়েলহৌঙৈদগী শান্নরকপা মশান্না অমা ওইনা কাংগী নিয়ম কাংলোন অসিমদি ঐহাক তাশিন-খোমজিনবসি ঙল্লিঙৈদগী পামজরকখি। থেংনজরকপা অহল-লমনশিংদগীসু তাশিন খোমজিনবা লেপচরকখিদে। কাংগী মতাংসিদা ইচাশিং, ইনাওশিংগা কাবক কাবক য়েৎনখিবা, নুংঙাইতবা মতাংসু থেংনজরকখি। অদুমকসু অরিবা পুয়া কয়া খোমজিন্দুনা পায়জহৌবদগী য়াম্না কন্না তৌনবা মতাংদুমক্তি লৈখিদ্রে। তাঞ্জা চাদুনা কাংলোনগী লাইরিক অহুমসু তুংগী মীরোলগী ৱাখল খঞ্জরগা ঐহাক ফোংজখ্রে। লাইরিকশিং অসিনা কাং শান্নগে খঞ্জবশিংদা শোয়দনা মতেং পাঙবসু ঙল্লগনি। ঙসিদি চহী য়ামশিল্লকপা (চহী ৯৫) অসিদা ৱারী লীরিবসিসু মনিং মমাং, মমৈ মকোক অমতা মফম মরাং খঙদ্রে। নীংশিং-নীংশিংলকপা অদুগীমখৈ তম্নবা হোৎনবদা ইশম শম্নহনবসু ঙল্লক্ত্রে। হৌজিক ঐনা মতম লেল্লিবসিসু থাঙ্গৈমক শেংবদি হৌখ্রবা মতম কয়াদু নীংশিংদুনা লেল্লিবনি।

মথংসিদি নহা ওইরিঙৈদা ঐনা থেংনজরকপা, উজরকপশিং খরসু পাউদমজগে, নুপী লাল চাক্তাঙবা, নুপী ময়াম্না হৌরক্তুনা ফৌ হৈদোকপা, চেঙ মুন্নবা, শঙ্গিন পায়বা সিফাইগা মুক্নবা ইমিৎনা শং শং উরক্লবা, ইমাংদা থোকখিবা ঙাক্তনি। ইরাবত মেম্বরসি কয়াদি তিন্নরক্তে। অদুবু মাগী ৱারী খরদি খঙলকই। নোংমা ময়াম্বুং অহলগী সনাইবেম্মা (লোইনবী) গা পূন্না লাক্লগা চৈরাপ লম্পাক্তা ফুরিৎ কোট শৎ শৎ লৌথোক্লগা মৈ থাবা মদুমদি উরকখি।

মপান কাংজৈবুং, নুপী কৈথেল শঙ মতম অমদা ইমা ইবেল, অহল-লমনশিংনা ফম্লিঙৈদা তরু-তনান্না লৈরম্বা অদুসু খরদং হৌজিক্কী মীরোলনা মীৎ নাকোং ওইননবা পঞ্জরমগে, সাহেবনা পাল্লিঙৈদা মপান কাংজৈবুং ফজবসিদি করি হায়গনি, শৃত নাল্লি। গ্রাউন্দ অসি হেক উবদা শান্ননিংবা পোকহনবা হায়বদুমক থোকই। তুবৎ ফাওদুনা চৎলুবগা য়াবা নত্তে। নিংথৌকাবা, য়ুমশকৈশা, ইরাই নুমিৎশিং অসিদা বোরো সাহেব, সোটো সাহেব, কম্মিস্নার কাঙবুগী মীওই অনী অনী পুল্লগা মরিনা টিম অমা শাই, অতোপ্পদুনা মৈতৈ কাংজৈরোইশিংনি। হায়রিবা কাঙবু অনীসি শগোল কাংজৈ অদুম শান্নে। শান্নবসি সাহেবনা অমুক্তা হেক থোইবা ঙমদে। মৈতৈ কাংজৈরোইশিংনা অদুম থোই। শগোলসিসু সাহেবশিংনা শগোল শানাবী তোংই। মৈতৈ কাঙবুনা খরা অপীকপশিং তোংদুনা শান্নে। মণিপুরগী শগোল পোনিসিদি খরা পীকপনিনা সাহেবশিংনা তোংবদদি খিত্তং খুদোংচাদে। তোঙানবা চান্নদবদগী শগোলনা পুদ্রুপ থাদরকপসু য়াওই। মদুগুম্বদু মৈতৈ শগোল তোংবা অমনা শৎ চঙশিল্লগা ওকপসু য়াওই। মৈতৈগী কাংজৈরোইশিংদি মশা মশাগী ময়ূমদা লোইজবা শগোল তোংজবনিনা, য়াংনা য়াংনা থৌদুনা শান্নবসু ঙম্মী। শগোল কাংজৈ লৈবা নুমিৎসিদি ঐহাকসু হেক হেক চৎলগা য়েংজরকখি। নুমিৎসিদি কাংজৈবুংসি মীনা পীক থন্না চোন্না তিল্লি। মসিসু য়াম্না নুংঙাইবা কুম্মৈনি। মৈতৈ শগোলনা শিংবসিসু থথা নত্তে। নিংথিনা তম্বীরবা শগোলদি শান্নরিবা কাংদ্রুমসি ময়ানা চীত্তুনা পুর পুরগা তিংখৎতুনা চেনখিদৌরিবনি। অদুগা গোল পোষ্ট ময়াদা বোল থাদদুনা থল্লগা বোল য়ৈননবা ইঙ্গিৎ তৌরক্কদৌরিবনি। মদুতং য়েংবদসু পুংপেন পেল্লি। মহৌশাদি শগোল কাংজৈ হৈবা মী য়াম্না লৈরম্মী। শগোলসি গদ্রক গদ্রক খুরুপ থাদুনা থৌরক্লবসু চপ হেক্তা লেপ্পা ঙম্মী। বোল তান্নবদা মমাই ফৎ-ফৎ লৈদুনা মওং কয়াদা থৌরকপা শগোল খুৎথৌশিং য়েংবদা নুংঙাইখ্রবা কুম্মৈ ঙাক্তনি। হৌজিক্কী ইচা ইশুশিংনা শান্নরিবসিদি করম তৌবনো য়েংলুদ্রবনিনা খঙদ্রে। মহৌশাগী অহলশিংদুদি শগোলসি চংখোন্না হৈ।

-মথং-মথং

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ –৯

1. মহাক মণিপুর ওলেম্পিক এসোসিএশনগী স্পোর্টস সেক্রেটরি ওইরম্মী, ইম্ফাল ম্যুনিসিপালিটিগী চেয়রমেনসু ওইরম্মী, ফুটবোলসু হৈ, হোকিসু শান্নে। মহাক্কী মমিং করি কৌই?
2. করম্বা ওলেম্পিক গেমসদা আইস হোকি অমসুং ফিল্ড হোকি অনীমক পাঙথোকখি?
3. মোইরাংদগী নুপামচাসিংহ দিস্কস লংবদা মমিং চৎলি, থাংমৈবন্দগী গোপে করম্বা মশান্নদা মমিং চৎপগে?
4. ওলেম্পিক গেমসদা ৱাংনা চোংবগী থৌরম অহুম য়াওরম্মী। অনী অমদি পোলভোল্ট অমসুং হায়জম্পনি। অহুমশুবা অদু করিনো?
5. বাই সাইকল কীক কাওবদা খ্বাইদগী মমিং চৎপা শান্নরোয় কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুলাই ১, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।

ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## জ্বালা গুত্তা অমসুং অশ্বিনি পোনাপ্পাগী জুরানা কনাদা ওপন্দা মিৎয়েং থল্লি



কালগেরি(কানাদা), জুন ২৭ ঃ

হয়েংদগী মফম অসিদা চথুবা হৌগদৌরিবা দোল্লর ৫৫,০০০ গী শেলগী মনা ওইবা কানাদা ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী জ্বালা গুত্তা অমসুং অশ্বিনি পুনাপ্পানা রিও ওলেম্পিক্সকী মাঙওইননা অকনবা মিৎয়েং থল্লি।

কানাদা ওপনগী দিফেন্দিং চেম্পিয়ন ওইরিবা জ্বালা গুত্তা অমসুং অশ্বিনি পোনাপ্পাগী জুরানা থা অমরোমতমক ঙাইশিল্লক্লবা রিও ওলেম্পিক্সতা মেদল লৌনবগী পান্দম থল্লি। কুমজা ২০১০ কম্মনৱেলথ গেমস অমদি মে থাদা পাঙথোকখিবা উবের কপ্তা জ্বালা গুত্তা অমসুং অশ্বিনি পোনাপ্পাগী জুরানা ব্রোঞ্জ মেদল ফংহৌখিবনি।

থা অসিদা পাঙথোকখিবা ইন্দোনেসিয়ন ওপনদা ইন্দিয়াগী জুরা অসিনা অনীশুবা রাউন্দদা লৈহৌখিবগা লোয়ননা মার্চ থাদা পাঙথোকখিবা ন্যুজিলেন্দ ওপনদসু ক্বার্টর ফাইনেলদা লৈহৌখিবনি।

জুরা অসিনা মমাঙ চহীগী জুলাই থাদা পাঙথোকখিবা কানাদা ওপন্দা টাইটল লৌখিবা অসিনা অরোইবা ইন্টরনেসনেল টাইটল ওইরি। কানাদা ওপনদা মায় পাক্লক্লবা মতুং ইন্দিয়াগী জুরা অসিনা জুলাই ৫ দগী ১০ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা য়ু এস ওপনদসু শরুক য়ারবা মতুং রিওদা শরুক য়াগনি।

# য়ুরো কপ ২০১৬ ঃ ইটালিনা স্পেনবু ২-০ দা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা জর্মনিগা মায়োক্নরগনি

## বেলজিয়মনা হঙ্গেরিবু মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা ৱেলসকা লম্বা তৌনরগনি





তৌলৌজ, জুন ২৭ ঃ ইটালিনা চেম্পিয়ন স্পেনবু য়ুরোপিয়ন চেম্পিয়নশিপকী ঙসি শান্নখিবা প্রী ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা ২-০ দা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে। ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা ইটালিনা জর্মনিগা মায়োক্নদুনা শান্নরগনি।

ইটালি অমদি স্পেন অনীগী মেচ অদুদা টিম অনীনা অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নরকখি। ইটালিনা মখোয়গী টিমবু ৩-৫-২ দা শেমদুনা মায়োক্নখিবা স্পেনগী মায়কৈদা অকনবা মওংদা তকখৎলকখি। চেম্পিয়ন ওইরিবা স্পেনসু মায়োক্নখিবা টিমদা কাউন্টর এটেকশিং তৌদুনা টাইটল অদু কঞ্জনবগীদমক নিংথিনা শান্নখি।

স্পেননা মখোয়গী ষ্টার্টিং লাইন অপ অদু ৪-৩-৩ দা শেমদুনা ইটালিগী মায়কৈদা চঙশিনখি। ইটালিনা য়াম্না ইচং থৌনা স্পেনগী মায়কৈদা তকখৎতুনা শান্নরকখি। অদুবু গোলদি পাক হেক চনবা ঙমদনা চৎখি।

ইটালিনা মেচকী মিনিট ৮ অমদি ১০ চৎপা মতমদা তৌখিবা দেঞ্জরস ওইবা এটেক্তা স্পেনগী দেবিদ দিগীনা নিংথিনা সেফ তৌদুনা গোল চলহনখিদে। ইটালিনা য়াম্না মশক থোক্লা হেক হৌবদগী শান্নরক্তুনা মায় পাক্লবগী লম্বৈলদা চঙশিনবা হৌরকখি।

ইটালিগী দি সিগ্লিওনা মেচকী ২৩ চৎপা মতমদা স্পেনগী জোনফানবু ফাওল তৌদুনা চিংথুরুবগীদমক য়েলো কার্দ অমা রেফ্রিনা পীখি। ইটালিনা মখা তানা চঙশিনখিবা এটেক্তা মেচকী মিনিট ৩৩ চৎপদা জিওরজিও চিলিনিনা গোল অমা চনশিন্দুনা ১-০ দা মাঙজিল থানা চৎখি।

ফার্ষ্ট হাফ ফাওবদা স্পেননা গোল অমত্তা চনবা ঙমদনা লৈখি। ইটালিসু অহেনবা গোল চনবা ঙমদনা ১-০ দা লৈখি। সেকেন্দ হাফতা ইটালিনা স্পেনগী মায়কৈদা অকনবা এটেকশিং তৌদুনা মায় পাক্লনবগীদমক অহেনবা গোলশিং চন্নবা অকনবা মওংদা এটেক তৌখি। অদুবু অথুবদা গোল ওম্হোকপা ঙমদনা মিনিটখরা লৈরুরবা মতুং মেচ লোইহ্নগদবা কুইরক্তুবা মতমদা গাজিয়ানো পেলেনা হাফ বোলিদা য়ার্দ তরুক্তগী থাজিনখিবা বোল অমনা গোল ওম্হোকখিদুনা স্পেনবু ২-০ দা মায়থীবা পীখি।

অমরোমদা, ইদেন হজার্দনা মহাক্কী অহানবা ওইনা চনখিবা গোলনা বেলজিয়মনা মফম অসিদা চথুরিবা য়ুরোপিয়ন চেম্পিয়নশিপকী ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা মেচতা হঙ্গেরিবু ৪-০ দা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

বেলজিয়মনা কুমজা ১৯৮০ গী ফাইনেলদা মায়থীহৌখিবা অদুগী মতুংদা অহানবা ওইনা য়ুরোপিয়ন চেম্পিয়নশিপকী ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙম্বসু ওইখ্রে। ষ্টেদিয়ম দি তৌলৌজদা শান্নখিবা মেচ অদুদা বেলজয়িমনা দোমিনেট তৌনা চৎখি। মখোয়গী প্লেয়র টোবি অলদরৱেরেল্ডনা মেচকী মিনিট ১০ চৎপা মতমদা গোল অমা চনখিদুনা মাঙজিল থানা চৎখি।

রেদ দেভিলসনা মেচ অদুদা গোল চনবা য়াবা খুদোংচাবশিং ফংখ্রবসু পাক হেক গোল চনবদি ঙমখিদে। মখোয়গী প্লেয়র মিচি বাটসুএ, হজার্দ অমদি য়ানিক ক্রাসকোনা মচেকী লোইগদবা মিনিট ১২ ৱাৎলিঙৈদা গোল চনখি।

বেলজিয়মনা হৌজিক ৱেলসকা রেল্লেদা শান্নগদবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা লম্বা তৌনদুনা সেমী ফাইনেলগী মফম অমা কনবা ঙম্ননবা হোৎনরগনি।

টিম অনীনা অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নরকখি। রেদ দেভিলসনা অয়াম্বা মতমদা হঙ্গেরিগী মায়কৈদা গোল এটেম্পশিং তৌদুনা চনশিনখি। মখোয়না চঙশিনখিবা এটেকশিংদা হঙ্গেরিনা অকনবা মওংদা থিংননবা হোৎনখ্রবসু কান্নবা ফংখিদে।

হঙ্গেরিসু মায়োক্নবা টিমগী মায়কৈদা কাউন্টর এটেকশিং তৌদুনা গোল চনবা য়াবা খুদোংচাবশিং হাফ থাদ্রিঙৈ মমাঙদা লৌখি। মখোয়গী মিদফিল্ডর জাইগো লোবরেন্সিকনা গোলগী এটেম্প তৌখিবদা চনবা ঙমদনা তোকখি।

মিচি বাটসৌয়িনা সবষ্টিট্যুট ওইনা বেঞ্চতগী চঙলকখি। মহাক্না তৌখিবা অহানবা এটেম্পতা নিংথিনা হঙ্গেরিগী মায়োক্তা কাওশিনখিদুনা গোল চনশিনখি। মতুং তারকপদা হজার্দনা অমুকসু হন্না টিমগী গোল চনখি। মহাক্না গোল চনখিবা মতুং ক্রাসকোনা টিমগী মরিশুবা গোল অদু চন্দুনা হঙ্গেরিবু মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি।

## রিও ওলেম্পিক্সতা ব্রোঞ্জ মেদল শুংশোয় শোয়দনা ফংগনি ঃ বিকাস কিষন



ন্যু দেল্লি, জুন ২৭ ঃ

ওগষ্ট ৫ দগী পাঙথোকপা হৌগদৌরিবা রিও ওলেম্পিক্সতা ইন্দিয়াগী বোক্সর ৩ ক্বালিফাই ওইখিবগী মনুংদা বিকাস কিষন শুংশোয় শোয়দনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌগনি হায়না মীয়ামদা থাজবা পীখ্রে।

কেজি ৭৫ কী কাঙলুপ্তা শরুক য়াগদৌরিবা বিকাস কিষননা হন্দক্তা অজর্বৈজানগী বাকুদা পাঙথোকখিবা ইন্টরনেসনেল বোক্সিং এসোসিএশন (আইবা) ৱর্ল্ড ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্টতা ব্রোঞ্জ মেদল ফংহৌদুনা ওলেম্পিক্তা ক্বালিফাই ওইখিবনি।

রিও ওলেম্পিক্সতা মহাক্না ব্রোঞ্জ মেদল ফংনবগীদমক মহাক্না বাউট অনী মায় পাকপা তারি। ভিজেন্দ্রা সিংহনা লম্বা তৌখিবা ৱেথ কেটাগোরি অসিমক্তদা মহাক্না শরুক য়াগদবা মরম্না রিওদা শুংশোয় শোয়দনা অহুমশুবা পোজিশন তাদুনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংগনি। ভিজেন্দ্রনসু ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ্তা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি। অদুগা এসিয়ন চেম্পিয়নশিপ্তুনা শিলভর মেদল লৌখিবা অদুগুম্না মহাকসু হন্দক্কী রিও ওলেম্পিক্সতা শোয়দনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংগনি হায়না বিকাস কিষন্না মখা তাখি।

নীংশিংবা য়াই, কুমজা ২০১২ লন্দন ওলেম্পিক্সতা বিকাস কিষননা য়ু এস এগী ইরোল স্পেন্সকী মখূৎতা প্রী ক্বার্টর ফাইনেলদা মায়থীহৌদুনা মেদলগী অশা কায়খিবনি।





HL-B/3127/7/6-6/7







HL-B/3071/29/4-28/5